হুইয়েন লানপাও

খুরাই অঙোম লৈকায় য়ুমজাও লাইরেম্বী কম্যুনিটি হোলদা কাদা অমসুং খুরাই অঙোম মনিং লৈকায় মৈরা পায়বীশিংনা শীন্দুনা ময়াই কাবা চীঙ্গাক থিংনবা ৱা খন্নবা

লামায় ৫

অসাম রাইফলসকী পার্সনেলশিংনা ময়ুমদগী ফারগা পুথোকখ্রবা তুংদা তমথিনা হাৎতোক-পীখ্রবী থাংজম মনোরামাগী শক্তমদা মীয়াম্না লৈ কৎপা

লামায় ১

ষ্টেট হেল্থ সোসাইটি, নেসনল হেল্থ মিসন অমসুং দিরেক্টোরেট ওফ ফেমিলি ৱেলফেয়র সার্বিসেস মণিপুরনা শীন্দুনা পাঙথোকপা ৱর্ল্ড পোপ্যুলেসন দে থৌরমগী শক্তম

লামায় ৩

মোরেদগী ইম্ফাল থোরকপা উ পুবা বস অমদা লোৎশিল্লগা পুরকপা সনা কে জি ২.৭ খুদেংথাবী চেক পোষ্টতা এ আরনা ফাগৎলগা মোরেদা লৈবা কষ্টমদা শীন্নবা

লামায় ২

Vol. 41, Issue No.108 য়ুমশকৈশা, ইঙেনগী ১৮ নি পানবা অপুনবা লামায় মশিং ১২ HUEIYEN LANPAO, Wednesday, July 12, 2017, Imphal www.hueiyenlanpao.com RNI No. 40746/1978 ₹ 4.50

থাউগী মমল

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট

পেট্রোল : লিটরদা লুপা ৬২.৩৬
দীজল : লিটরদা লুপা ৫৩.১১

কৃষ্ণতোম্বী মোরেদা

ইম্ফাল, জুলাই ১১ : নিপানশুবা আই আর বিগী এসিষ্টেন্ট কম্মান্দেন্ট টি ঐচ কৃষ্ণতোম্বী মোরেদা লৈবা সী দি ওগী পোষ্টতা এটেচ তৌনবা দি জি পি, এল এম খৌতেনা য়াথং পীখ্রে। এম পি এস ওফিসার অসি খুদক্তা রিলিজ তৌগদবনি হায়না ৮শুবা আই আর বিগী কম্মান্দেন্টতা খঙহনবগা লোয়ননা য়াথং অসি থবক্তা ওন্থোক্লে হায়বদু খঙহল্লক্লবা হায়রি।

কাপ্তুনা হাৎলম্লে

ইম্ফাল, জুলাই ১১ : জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদগী খারোমদা কিলোমিটর ৪৫ রোম চৎলগা লৈবা ছোতোবেক্রাদা উ অমদি ৱা য়ানবা নুপা অমা মশক খঙদবা মীওই খরনা ময়ুম মনাক্তা ঙৱাং নুমিদাংৱাইরম পুং ৭.১৫ রোম তাবদা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্লে। লৈখিদ্রবা নুপা অদুগী মমীং রঞ্জন দাস (৪২) অপোকপা মোহেন দাস কৌই। ঙৱাং নুমিদাংৱাইরম শকখঙদবা মীওই মরিনা ৱারী অমত্তা শানরুসি হায়দুনা রঞ্জন দাসপু ময়ুমদগী পুথোকখিবা মতুং ইকান কান্নদনা মহাপু হাৎলম্বনি।

অ ঈং-অশাগী পাউ

মফম	খ্বাইদগী শাবা	খ্বাইদগী ঈংবা
বিষ্ণুপুর	এন এ °C	এন এ °C
চান্দেল	২৯.৫৭ °C	২৪.৪০ °C
সীসীপুর	এন এ °C	এন এ °C
ইম্ফাল	২৮.৯১ °C	২১.৯৪ °C
সেনাপতি	২৬.৫০ °C	২১.২৪ °C
তমেংলোং	এন এ °C	এন এ °C
থৌবাল	এন এ °C	এন এ °C
উখ্রুল	১৯.৪৮ °C	১৬.৯৫ °C
মণিপুর	২৯.৮৮ °C	১৬.৯৫ °C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ৪৪.৯৬ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.২৮
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৬.০৮
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	73.594216
US Dollar	64.541085
British Pound	83.102022
Australian Dollar	49.114008
Chinese Yuan Renminbi	9.488992
Japanese Yen	0.564603
Malaysian Ringgit	15.017376
Norwegian Krone	7.733479
Singapore Dollar	46.634552
South Korean Won	0.056125
Swedish Krona	7.633314
Turkish Lira	17.79229
Myanmar Kyat	0.04749
Bangladesh Taka	0.79775

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	28053.48
Mumbai	–	Rs	29122.99
Delhi	–	Rs	28663.10
Kolkata	–	Rs	29240.64

HL POLL

Q : Chief Minister N. Biren na luchingba BJP leingakki matamda NFSAgi cheng suna fangbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Petrol amasung diesel lei hairaga oil pump ayamba thong lollisi leingakna yengsinfam thoktabra?

Yes 95% No 05%

অস! লোইরেহে!

করিনো তৌবীরিদ্রবু, সার...!



নহাক ওইরে, ঐদি শেল খায়বা কাঙবুদু ওইরবোই নিংলুরে...!

থবক হাপকনি হায়না শেল লৌখিবগী ৱাকৎ তাররোই : এন্টি করপসন সেল

‘কোংগ্রেস লৈঙাক্লা পি দি এসকী পোৎলম ফংহনখিদবগী ৱাকৎ লৌররোই’

ইম্ফাল, জুলাই ১১ (ঐচ এন এস) :

বি জে পিগী চুংশিন্নবা লৈঙাক লাকখ্রবা মতুংদা থোকপা চেঙ মাঙবগী ৱাথোকখক্তমক য়েংশিন্নবা লৈঙাক্লা খঙহল্লকপনা মরম ওইরদুনা কোংগ্রেস লৈঙাক্কী মতমদা থোকখিবা চেঙ মাঙবগী ৱাকৎশিং লৌররোই হায়না এন্টি করপসন সেলগী ওফিসর ওন স্পিসিয়েল দ্যুটি (ও এস দি) এস হেমন্তনা ফোঙদোকখ্রে।

চীফ মিনিষ্টরগী বঙ্গলোদা লৈবা এন্টি করপসন সেলগী ওফিসতা ঙসি নুংথিল পাউমীশিংগা উনবদা মহাক্না হায়খি, মসিদসু নত্তনা থবক হাপ্লীগনি হায়না শেল লৌখিবগা মরী লৈনবা ৱাকৎশিংসু লৌদনবা লৈঙাক্লা খঙহল্লকপা লৈরে।

লন্নাই মীওই কয়াদগী শেল লৌথোক লৌশিন তৌনরম্বা অমদি লন্নাইগী ওইবা চয়েৎনবা লৈবশিং অদু লিগেলগী মিৎয়েংদা য়েংলগা হায়রিবা মখলগী ৱাকৎশিং অসি এন্টি করপসন সেলনা পায়দনবসু হায়র ওথোরিটিনা খঙহল্লকখিবনি। মরম অসিনা মীয়ামনসু লন্নাইগী ওইবা ৱাফমশিং অসিগা মরী লৈনবা ৱাকৎশিং এন্টি করপসন সেল নৎত্রগা মীয়ামগী নুমিৎতা ৱাকৎপীরনু।

মীয়াম্না এন্টি করপসন সেলদা ৱাকৎ পীরকপা মতমদা ভোইস কোল ওইনা তৌবিরক্নু। টেক্নিকেলগী ওইবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎকদবা লৈবনা য়ারিবমখে ৱাটসএপ মেসেজ ওইনা থাবিরক্লগা ৱাকৎপীয়ু হায়নসু মহাক্না এন্টি করপসন সেলগী মায়কৈদগী আপিল তৌরক্লি।

মহাক্না হায়খি, বি জে পিনা লুচিংবা চুংশিন্নবা লৈঙাক অসিনা শেঞ্জা থুমজা মুখৎনবগী পান্দমদা হাংদোকখিবা এন্টি করপসন সেলদা লাকখিবা তোঙান তোঙানবা ৱাকৎশিংগা মরী লৈননা হন্দক্তা ইনৌ নৌনা সেল অসিনা এক্সন লৌখৎলকপদা লেবর ইন্সপেক্টর অমগা মণিপুর পুলিসকী নুপী সব ইন্সপেক্টর অমগা সস্পেন্দ তৌখ্রে।

এন্টি করপসন সেল অসি হেক হাংবগা ঙসি ফাওবা লাকখিবা কেসশিং অদুগী মতাংদা থবক পায়খৎননবা স্ক্রিনিং কম্মিটিগী মীফম পুথোক্লগা খন্নদুনা লাক্লি। হৌখিবা জুলাই ৪ দা মরিশুবা স্ক্রিনিং কম্মিটিগী মীফম চীফ সেক্রেটরিনা চ্যের লৌরগা মহাক্কী ওফিস চেম্বরদা পাঙথোকখি। মীফম অসিদা পূন্না কেস ২৭ পুথোকখি। হায়রিবা কেসশিং অসি স্ক্রিনিং কম্মিটিগী মীফমনা কূপ্না খন্না নৈনরবা মতুংদা এন্টি করপসন সেলদা কেস কয়াগী মথৌ তাবা এক্সনশিং লৌখৎননবা খঙহল্লকপা লৈরে।

স্ক্রিনিং কম্মিটি অসিনা পি দি এসকী পোৎলমশিং মীয়াম্না চাং নাইনা ফংদে হায়না থাঙ্গৎলকখিবা ৱাকৎ কয়াবু লুম্না লৌবগা মরী লৈননা বেনিফিসরিশিংগী ফংফম থোকপশিং অদু ফংহন্ননবা দিরেক্টিভ পীরক্লে। মরম অসিনা এন্টি করপসন সেলনা স্ক্রিনিং কম্মিটিদা পীরকপা দিরেক্টিভ অসি মরী লৈনবা ওথোরিটিদা থবক ওইনা পায়খৎনবা খঙহনখ্রগনি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, মমাঙদা এন্টিকরপসন সেলদা লাকখিবা তোঙান তোঙানবা কেসশিংগী মতাংদা ৱাফম কয়া থমখ্রবা মতুংদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা পূন্না কেস ১২৫, ৱাটসএপ্তা, মেসেজ ওইনা নৎত্রগা কোল ওইনা তৌরগা ৱাকৎলকখি। মসিগী মনুংদা কেস ৯৮ স্ক্রিনিং কম্মিটিনা কূপ্না খন্নরবা মতুং কেস লোইশিনখিবা অমদি মথৌ তাবা এক্সন লৌখৎননবা লৈখ্রে।

সেল অসিদা লাকপা শেঞ্জা থুমজাগা মরী লৈনবা ৱাকৎশিংগা মরী লৈননা মমাঙদা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী ওফিসিএল কয়া অরোইবা *...মখা লামায় ৩ কলম ৪*

নাগালেন্দ পোলিটিকেল ক্রাইসিস

থাজবগী ভোট জুলাই ১৫ ফাওবদা লৌনবা গভর্নরনা সী এমদা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১১ (ঐচ এন এস) :

নাগা পিপলস ফ্রন্ট (এন পি এফ)কী লূচিংবা শিনবগী ৱাথোক লোইশিন্নবা ষ্টেট অদুগী গভর্নর পি বি অচার্য্যনা চীফ মিনিষ্টর সুরোজেলি লিজিতসুদা মহাকপু মশীং য়াম্না কাঙবুনা শৌগৎলি হায়বদু থা অসিগী ১৫ ফাওবদা উৎনবা খঙহনখ্রে।

থা ৫গী মতুংদা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর টি আর জেলিয়াংনা হন্দক্তা অনৌবা গভর্ণমেন্ট অমা শেমজগে, মহাকপু মশীং য়াম্না এম এল এশিংনা শৌগৎলি হায়না ষ্টেট অদুগী গভর্নরদা চেরোল অমা পীশিনখ্রবা মতুং গভর্নরনা থাজবগী ভোট লৌনবা চীফ মিনিষ্টর সুরোজেলি লিজিতসুদা খঙহনখিবনি।

এম এল এ ৫৯ লৈবা নাগালেন্দ ষ্টেট এসেমব্লিদা টি আর জেলিয়াংনা মহাকপু শৌগৎপা এম এল এ ৪১ লৈ হায়না হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা ষ্টেট অদুগী গভর্নরদা চেরোল অমা পীশিন্দুনা খঙহনখিবা লৈখি।

চীফ মিনিষ্টর সুরোজেলি লিজিতসুদি হাংদুনা লৈরিবা নোদর্ন অঙ্গামি এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সীগী মরক্কী মীখলদা মীরেপ ওইনবগীদমক মীরেপ চে পীশিনবদা ঙাইহরি। মীখল অসি থা অসিগী ২৯দা পাঙথোক্কদবনি।

নাগালেন্দ লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী মেম্বর ওইদ্রিবা মরম্না চীফ মিনিষ্টর লিজিতসুনা এম এল এ ওইনবগীদমক মীখল থেংনবগী তঙাইফদবা লাকখিবনি। নোদর্ন অঙ্গামি-১ এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সীগী সিট অসি চীফ মিনিষ্টরগী মচানুপানা পায়দুনা লাকখিবনি। অপোকপগী খোঙফম শেম্নবগীদমক মচানুপানা ফম থাদোকখিবনি হায়রি।

লিজিতসু এন পি এফকী প্রসিদেন্ট ওইনা ওইনা এম এল এ শুংওই ওইদনা হৌখিবা ফেব্রুৱারী থাদা চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখিবনি। নুপীশিংদা সিট রিজার্ভেসন তৌনবা লৌখিবা ৱারেপ অমগী মতুং তারকপদা নাগালেন্দগী মীয়াম্না টি আর জেলিয়াংবু মফম লৌথোক্লবা দিমান্দ তৌরকখি অমসুং দিমান্দ অদুনা মরম ওইরগা টি আর জেলিয়াং চীফ মিনিষ্টরগী ফম থাদোকখিবনি।

দিমাপুর মনাক্তা থোং তেকপদা মীওই ৪ শিরে



ইম্ফাল, জুলাই ১১ (ঐচ এন এস) :

দিমাপুর রিফরেল হোস্পিটাল ময়া ফোর মাইলদা লৈবা থোং অমা ঙসি অয়ুক তেক্কুনা তুরেলদা তাশিনবদা মীওই মরি শিরে।

থোং অদু মতম খরগী মমাঙদগী হৌনা ফীভম শোক্লকখিবনি অমসুং মরী লৈনবা পি দব্লিয়ু দি (রোদ এন্দ ব্রিজ)না থৌশাদবগী থোকপনি হায়না মীয়াম্না মরাল শীরি। শেঞ্জা থুমজাগা মরী লৈনবা, ক্বালিটি য়াওদনা থোং শাখিবদগী থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়না মীওই কয়ানসু ফোঙদোক্লরক্লি।

থোং তেক্কুনা মীওই মরি শিখিবা অমসুং গাড়ী কয়ামরুম অমাঙ-অতা থোকহনখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা এ সী এ য়ু টি নাগালেন্দনা তোঙান তোঙানবা দিমান্দ মরি তাল্লদুনা খোঙজং চঙশিনগনি হায়না লাউথোকখ্রে। দিমান্দশিং অদুগী মনুংদা লাইবক থীবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওই মরিগী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদা লৈঙাক্লা চপ চাবা কম্পেন্সেসন পীবা, পি দব্লিয়ু দি (রোদ এন্দ ব্রিজ) মিনিষ্টর অমসুং দিমাপুর দিভিজনগী এগজিক্যুটিব এঞ্জিনিয়ার পুলিসনা ফাবা, থোং অদুবু শাখিবা কন্ট্রেক্টরগী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎপা অমসুং পি দব্লিয়ু দি মিনিষ্টর মফম লৌথোকউ হায়বনচিংবা য়াওরি।

মী চিনবা মফমশিংদা ফূট ব্রিজ শানবা থৌরাং তৌরি : বিশ্বজিৎ

ইম্ফাল, জুলাই ১১ (ঐচ এন এস) :

ইম্ফাল য়াওনা ষ্টেট অসিগী মী চিনবা মফম কয়াদা ফূট ব্রিজ শানবা থৌরাং তৌরি হায়না ৱার্ক্স মিনিষ্টর টিঐচ বিশ্বজিৎনা ঙসি পাউমী খরগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

বি জে পি ওফিসতা চয়োল খুদিংগী ওইনা তোঙান তোঙানবা মিনিষ্টরশিংগা বি জে পিগী থৌমীশিংগা উনবগী শরুক অমা ওইনা ঙসি ৱার্ক্স মিনিষ্টরনা বি জে পিগী থৌমী কয়াগা উনখি। থৌমীশিংগা উনরবা মতুংদা পাউমী খরগা ৱারী শানবদা ৱার্ক্স মিনিষ্টর টিঐচ বিশ্বজিৎনা হায়খি, লমদম অসিদা নোং লেপ্তুনা চুরকপনা মরম ওইদুনা ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্ন বগা লোয়ননা চীং নিংখায়বগী খুদোংথিবা কয়াসু মায়োক্লরে। মোন্সুন

ঙন্না লাকপনা মরম ওইদুনা নোং মরাং কায়না চুরে। নেসনল হায়ৱে ৩৭ ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীদা লেন্দস্লাইদ থোকপনা মরম ওইদুনা লম্বী চৎথোক চৎশিন য়াদবগী ফিভম অদু পি দব্লিউ দিগী মেছিন্নরিশিং থাজিন্দুনা তকথোকখ্রে।

ঙৱাংদগী গাড়ী চৎথোক-চৎশিন য়ারে। নেসনল হায়ৱেশিংদা লেন্দস্লাইদ থোক্লকপা মতমদা খুদক্তা চঙশিন্দুনা থবক পায়খৎপা ঙম্নবগীদমক থৌরাং কয়াসু পায়খৎলি।

ষ্টেট অসিগী লম্বী-থোং শেন্বগী থবক কন্না চঙশিল্লকপনি। অদুবু নোংচীংগী ফিভম ফত্তবা অসিনা মরম ওইদুনা লম্বী শেন্বদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। নোংজুথা হেক লোয়বগা লম্বী শেন্বগী থবক য়াঙনা চঙশিল্লগনি। লম্বীগী অকুৎপা মফম্নচিংবদা সিঙ্গলিং তৌদুনা চৎথোক চৎশিনদা খরমখৈদি নুংঙাইনবা হোৎনগনি।

ইম্ফালগী মী চিনবা তোঙান তোঙানবা লম্বীগী মফম খরদা ফূট ব্রিজ শানবগী থৌরাং তৌরি। ইম্ফাল খক্তা নত্তনা ষ্টেট অসিগী মনুংদা লৈবা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী মী চিনবা লম্বীগী মফম কয়াদসু ফূট ব্রিজ শানবা থৌরাং তৌরি। মী চিনবা লম্বীদা ফূট ব্রিজ শাবা মতমদা খোঙনা চৎলিবশিংদা লম্বী লান্থোক-লানশিন তৌবদা *...মখা লামায় ৩ কলম ৬*

পেটিগী ইনক্কারি রিপোর্ট পীখৎখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১১ (ঐচ এন এস) :

মণিপুর পুলিস পার্সনেলশিংদা শীজিন্নবা য়াদবা ষণথি চেনা শাবা পেটি পীবগী মতাংদা থিগৎনবা শেমখিবা কম্মিটিগী মরক্কী ওইনা লামায় ১০ পানবা রিপোর্ট ঙসি চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেনদা শিন্নখ্রে। কম্মিটি অদুদা মেম্বর ওইখিবা আই জি পি (এদমিনিষ্ট্রেসন) ডা. এস ইবোচানা পাউমীশিংদা হায়খি, কম্মিটি অসিনা নুমিৎ তরানি চুপ্পা থিজিল্লবা মতুংদা ফংখিবা রিপোর্টকী মতুং ইন্না য়ুনিফোর্ম লৈবগী অপুনবা শেনফম লুপা ২,৬৫,০০,০০০ নি। কম্মিটি অদুদা এদিস্নেল চীফ সেক্রেটরি ডা. সয়েদ অখতার আই এ এস, স্পেসল সেক্রেটরি আর সুদান আই এ এস য়াওই হায়রি।

শেমখিবা দিষ্ট্রিক্ট তরেৎ হন্দোকউ : টি এন এফ ও

ইম্ফাল, জুলাই ১১ (ঐচ এন এস) :

মণিপুর লৈঙাক্না তৌগে য়াওনা মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ৮দা অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট তরেৎ শেমখিবদু হন্দোক্লবা তাঙ্খুল নাগা ফুটহিলস ওর্গনাইজসন (টি এন এফ ও)না মণিপুর লৈঙাক্ত মেমোরেন্দম অমা পীশিন্দুনা তকশিনখ্রে।

চীংমীশিংগী নুমিৎতা টি এন এফ ওনা চীফ মিনিষ্টরদা পীশিনখিবা মেমোরেন্দম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট তরেৎ শেমখিবদু ট্রাইবেল মীয়ামগী ফংফম থোকপশিং অমসুং ঈকায় খুম্নবা পুম্নমক মাঙহল্লি হায়না চার্জ তৌরি। অসিগুম্বা থবক থৌওং অসি চথদনবা হৌখিবা চহী ৩৬ লোম অসিদা হোৎনদুনা লাকখিবনি হায়রি।

ট্রাইবেল মীয়াম্না দিষ্ট্রিক্ট রিওর্গনাইজ তৌনবা অমসুং এদমিনিষ্ট্রেসন ফগৎহন্নবা হান্নদগী হৌনা তক্লদুনা লাকখি। দিমান্দ অদু মতমদুগী গভর্ণমেন্টনা কেবীনেট সব-কম্মিটি অমা কুমজা ১৯৮১দা শেমদুনা খন্নবা হৌখি। হায়রিবা কেবীনেট সব-কম্মিটি অসিনা দিষ্ট্রিক্ট শেন্বগী মচাকশিং অদু মতমদুদা দিষ্ট্রিক্ট শেমদ্রিঙৈগী মমাঙদা থবক্তা ওন্থোক্লবা খন্নবা লৈখি।

মদুগী তুংদা কেবীনেট সব-কম্মিটিনা মীশিং, নকশিন্নবা কাঙলুপশিং, পুন্না খুন্দামিন্নরিবশিংগী য়েংলগা বাউন্দরিশিং শেম্নবা হোৎনরকখি। থবক অদু পাঙথোক্লবা হোৎনবদা খুঞ্জাশিংগী ৱা তানবা ৱাফমসু ফোঙদোক্লবা লৈখি হায়রি।

পুম্নমক অসি লৈবগী মথক্তা নাগাগী সিবিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন কয়াগা দিষ্ট্রিক্ট শেমদনবা মণিপুর লৈঙাক্তা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং খুৎয়েক পীনখিবা লৈরবসু কায়নথংদা অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট তরেৎ অদু শেমখিবনি। অসিগুম্বা লৈঙাক্কী অনম কন্নবা মতৌ অদু ঐখোয়না য়াবা ঙম্লোই। থৌওং অসি ট্রাইবেলশিংগী ফংফম থোকপশিং মৎলগা নমদুনা চৎনহন্নবা থৌরাং তৌবনি হায়না লৌই হায়রি।

চীংগী খুল কয়ামরুম ভেল্লিগী দিষ্ট্রিক্টতা অমসুং এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সীদা য়াওশিলহনবগী মতাংদসু য়েংশিনবীনবা টি এন এফ ওনা লৈঙাক্তা আপিল তৌরি। খুলশিং অদুদি তামরাম তঙ্খুল ভীলেজ, লেম্বা খুল, ঙারম্ফুং, পোইরৌ, লিশমলোক, কাপরাং, সমন, লৈয়ারম য়াওরি। হায়রিবা খুলশিং অসি কুমজা ১৯৬৬তগী হিল হাউস টেক্স থীদুনা লাক্লিবনি হায়রি।

থাংজম মনোরামাগী মীহাৎতা চেন্নবশিং চৈরাক ফংহন্দবদা মীয়াম্না পেন্দবা ফোঙদোক্লখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১১ (ঐচ এন এস) :

থাংজম মনোরামা মেমোরিএল চেরিটেবল ট্রষ্ট অমসুং অপুনবা লূপ মণিপুরনা শীন্দুনা ইন্দিয়ন আর্মিনা মীহাৎ থীনা হাৎখ্রবী থাংজম মনোরামা লৈখিদবগী চহী ১৩শুবা থৌরম পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা লময়ানবা শঙলেন্দা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা তিনখিবা মীয়াম্না মনোরামাগী শক্তমদা হৈকৎ-লৈকৎ তম্বগা লোয়ননা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখি অমসুং ঈকায় খুম্নবা উৎখি।

থৌরম অদুদা অপুনবা লূপ মণিপুরগী কোওর্দিনেটর ফুলিন্দ্রো কোন্সম, কোওর্দিনেটর অয়েকপম লাংদোন, কোওর্দিনেটর সুনিল করাম, মনোরামা চেরিটেবল ট্রষ্ট বামোন কম্পুগী প্রসিদেন্ট সেঙ্গোই লুৱাং, অপুনবা মণিপুর কনবা ইমা লূপ (অমকিল)গী প্রসিদেন্ট পি ঐচ শখি, পোইরৈ লৈমরোল অপুনবা মৈরা পায়বী মণিপুরগী ভাইস প্রসিদেন্ট আর কে লৈবাকতোম্বী, কংলৈপাক লমজিং অপুনবা মৈরা লূপ (কংলামৈ)গী প্রসিদেন্ট ৱাই লৈরিক লৈমা, চীং তম য়ুনাইটেদ এসোসিএসন (চিতুৱা)গী প্রসিদেন্ট এম পুর্ণিমাশি লৈমানা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাঙলদুনা য়ুনাইটেক কম্মিটি মণিপুর (য়ু সী এম)গী প্রসিদেন্ট এলাংবম জোন্সননা হায়খি, মণিপুর পুম্বদগী দিষ্টর্ব এরিয়া ষ্টেটস লৌথোক্লবা মণিপুর লৈঙাক্লা এসেমব্লিদা ৱারেপ লৌবা ঙমদ্রি। অফস্পাগী মরুমদা হাৎখ্রবশিং অদুগী চপ চাবা চৈরাক পীদ্রিমখৈ ষ্টেট অসিদা মীহাৎপা লৈখিগনি। লৈঙাকপশিংনা মণিপুরগী সিক্যুরিটিগী মথক্তা করি মীৎয়েং থমগনি হায়বদু ৱারেপ লৌফম থোকই। লৈবাকসিবু নুংশিবা পোলিটিকেল পার্টি চঙই। হৌজিক্কী মতমদা ৱা ঙাঙবীনবা লৈতে। ৱা ঙাঙলুরগা য়ুমদা করি তৌরক্কনি কিন্নরি।

অপুনবা লূপকী কোওর্দিনেটর ফুলিন্দ্রো কোন্সমনা হায়খি, মণিপুরদা অফস্পা লৌথোকপগী পান্দমদা খোঙজং কয়ামরুম চঙশিনখ্রে। মপাঙ্গল শোল্লবী নুপী অমদা চৎখিবা লান্মীগী তমথিরবা লীচৎ অদু ঙসি ফাওবা মীয়াম্না কাউদ্রি। মনোরামা হাৎপদা চেন্নবশিং ঙসি ফাওবা চৈরাক পীবা লৈত্রি। অফস্পা হায়বসি খ্বাইদগী তমথিরবা এক্ট অমনি হায়না ফাওবা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খিবা লৈখ্রবনি।

সুপ্রিম কোর্টতসু মীহাৎ অসিগা মরী লৈননা কেস থাঙ্গৎখ্রে। হ্যুমেন রাইটস ওর্গনাইজেসন কয়ানসু অচুম্বা ৱায়েল তৌবীনবা ৱাফম পুখৎপা লৈখ্রে। ইন্দিয়া খক্তা *...মখা লামায় ৩ কলম ২*

য়েলহৌমী কন্নবা বিল পাস তৌ হায়না এম পি পিনা তকশিনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১১ (ঐচ এন এস) :

আই এল পি বিল পাস তৌ হায়না দিমান্দ তৌরদুনা মণিপুর পীপলস পার্টি (এম পি পি) না ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে। খোঙজং কয়াসু চঙশিল্লক্কদৌরি।

আই এল পি বিল পাস তৌবদা এন দি এ, দিল্লি লৈঙাক্কী অয়াবা ঙাইরোইদবনি। জুলাই ২০ ফাওবদা বিল পাস তৌ হায়না এম পি পিনা ঙসি পোলোগ্রাউন্দ মনিংদা লৈবা পার্টি অসিগী ওফিস মমাংদা ৱাকৎ মীফম ফমখি।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়ারদুনা এম পি পিগী প্রসিদেন্ট ও জুগিন্দ্রোনা হায়খি, মণিপুরদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা আই এল পি নৎত্রগা মান্নবা রেগ্যুলেসন অমা চৎনহৌদ্রবদি অরুবা ফিভম লাক্লগনি। ষ্টেট অসিদা হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা সেন্তরগী অয়াবা ঙায়দনা বিল পাস তৌনবা হোৎনগদবনি। থা অসিগী ২০ ফাওবদা বিল পাস তৌদ্রবদি খোঙজং কয়া চঙশিল্লক্কনি। লাক্কদৌরিবা এসেমব্লী মীফমদা বিল পুথোক্কুনা পাস তৌনবা হোৎনগদবনি। করিগুম্বা পাস তৌদবা তারবদি মীয়াম্না চঙশিল্লকপা খোঙজংশিংদা শরুক য়াগনি।

এম পি পি লীংখৎলকপা মতমদা মণিপুরগী ইন্টিগ্রিটি ঙাকপা অমদি ইথনিক আইদেন্টিটি কনবা হায়বসি মরুওইবা হীরম অমা ওইনা থল্লিবনি। পার্টি অসিনা মণিপুরগী অপুনবগী শক্তমগীদমক লেপ্লি। ষ্টেট অসিদা মীতোপকী মীশিংনা লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলক্লিবা ফিভম অসিদা আই এল পি নৎত্রগা মান্নবা রেগ্যুলেসন চৎনহনবগী তঙায়ফদবা লৈরে। মণিপুরগী য়েলহৌমীশিং কন্নবা রেগ্যুলেসন শেমদুনা নীংথিনা য়েংশিনগদবনি। মদু নৎত্রবদি খোঙজং কয়া চঙশিল্লক্কনি।

য়েলহৌমী কন্নবগী ঈহৌদা মহৈরোয় কয়া থৱায়না পোন্থা পীবা লৈখ্রবনি। মহৈরোয় রোবিনহুদসু য়েলহৌমী কনবগী ঈহৌদা লৈখিদ্রবনি। মহৈরোয় কয়া অমনা অশোক অপন নংখ্রবনি। *মখা লামায় ৩ কলম ২*

LOAN AVAILABLE

মখল খুদিংগী অপাম্বা 2, 3 and 4 Wheelers Loan
Service Loan
Pension Loan
Gold Mortgage
T.V./Laptop/A.C./Refrigerator Loan
হায়রিবা শিং অসি অরইবা মওংদা অমসুং খুদক্তা লৌবগী খুদোংচাবা পীজরি।

AREA COVERED:
Imphal East
Imphal West
Bishnupur

100% Free Processing (Vehicle Only)

IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O. Lokiaobung B.O. Paona International Market & Bishnupur Bazar
Please log on http://www.imphalfinancesociety.in.

HL-P/1820/15/6-19/7

ঈ-পাঞ্জা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫